**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-08.2024)**

অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ
(তাং ১৫-০৮-২০২৪, শগোলশেন)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পাঙথোকখি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- পুকচেল পীকপা মীওইশিংনা লমদম অসিবু মশাগী কান্নবা য়েংদুনা থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা অসি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙমলোই।

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী মীওই কোতি ১৪০ না তৌগে খনবা অনিংবা অদু হোৎনরবদি লৈবাক অসি ইং ২০৪৭ ফাওবদা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা শোইদনা ঙমগনি।

৪) অলফানা অসামগী মফম ২৪ দা বোম থমজিল্লে হায়রকপদগী রাজ্য অদুদা পাক্তকনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ঙসি নিউ দিল্লিদা নেসেনল পেষ্ট সার্ভিলেন্স সিষ্টেম হৌদোকখ্রে।

------

আই-ডে (এল) ঃ   লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি লৈবাক অসিগী ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা অহানবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দ ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখি অমসুং ৪ শুবা আই.আর.বিগী সি.ও- শকলেম্বা রাজকুমারনা পেরেদ কম্মান্দর ওইবা সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ, মণিপুর রাইফলস, ৯ সুবা আই.আর.বিগী নুপী কন্টিঞ্জেন্ট, সিভিল পুলিস, হোম গার্দ, মণিপুর সেন্ত্রেল জেল, ভি.দি.এফ, ফয়ার সার্ভিস, ত্রাফিক পুলিস, এন.সি.সি, স্কুল মহৈরোই অমদি বেন্দ পার্তি কন্টিঞ্জেন্টকী নীংথিজরবা মার্চ পাস পেরেডশিংগী সলামি ওকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরেননা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা নীংতম নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়-ভারতপু চাউখৎপা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মীপুম খুদিংমক্কী থৌদাং য়ামা চাউই। মহাকা হায়-থৌরম অসি ভিক্সিত ভারতকী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুরসু ভারত নীংতম্বা ফংল্লকপা অসিদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখি। ১৮৯১ দা শোকখিবা এঙ্গলো মনিপুরগী লানফমদা লমদম অসিগী ইপা ইপুশিংনা শিবা কিদনা বৃটিশকী মায়োক্তা লেপখিবা অদুনা মসি ময়েক শেংনা উৎলি। ঐখোয়গী অথৌবশিংনা লমজিংদুনা নীং-খা তম্বা ভারতকীদমক বৃটিশকী মায়োক্তা লান্থেংনখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা ভারতকী মীয়ামবু অকি-অখঙ লৈহন্দনা ঙাক শেনবীরি অমসুং আইন অমসুং শান্তি রক্সা ফগৎহন্নবগী খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। সরকার অসিনা ক্রাইম হন্থহন্নবা অমদি পন্দুনা লৈরম্বা কেস কয়া অথুবা মতমদা থিজিনদুনা অচুম্বা ফংহন্নবগী পান্দমদা খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। মসিগীদমক অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনহনবা হৌখ্রে।

শ্রী বিরেননা হায়-নৌনা শক খঙলবা আইনশিং অসিনা রুল ওফ লো ঙাকা চৎপা অমদি লমদমসিগী ফুরুপ খুদিংমক হেন্না চেকশিন্না ঙাক শেনবা ঙম্লগনি থাজে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অৱাবা তারবা কাংলুপ অনিমক্কী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা লৈফম চাফম, অনা লায়েং, মহৈ মশিং অমদি হিংনবগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। সরকারনা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবা, তোঙান তোঙানবা স্কিম ৪৬ কী মখাদা বিনিফিসরি লাখ মরিদা কান্নবা ফংহনখি। লুপা কোতি ৩০০ লোমগী স্কিমশিং অদু দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা বিনিফিসরিশিংদা ফংহল্লি। মখা তাবা স্কিম ৮ অমসু হৌদোক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-পুকচেল পীকপা মীওইশিং অমদি লমদম অসিবু মশাগী কান্নবা য়েংদুনা থুগায়নবা হোৎনরক্লিবা অসি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙমলোই। হৌখিবা চহি খরা অসিদা মণিপুরনা ফেমিনা মিস ইন্দিয়া, দুরান্দ কপ অমসুং জি-ত্বেন্তিগী মীফমশিং য়ুম্বু ওইদুনা রাজ্য অসি চাওখৎপগী লমজেলদা য়াওরি হায়বদু ময়েক শেংলি। অদুবু হৌখিবা চহিদগী থোক্লক্লিবা ইরাং অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খরা থিন্থহল্লবসু সরকার অসিনা শান্তি হঞ্জিনহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইননবা কন্না হোৎনরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মীয়ামদা লমদম অসিবু মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা গর্ভনমেন্ট ডান্স কলেজ, লিয়ান্দা ফোল্ক এন্দ কলচরেল একাদমি অমসুং মরিং কলচরেল ট্রুপকী মহৈরোই অমসুং আর্টিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা নাৎকী জগোইশিং উৎখি অমসুং মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কলেজগী মীওই মরিদা ২০২১-২২ গী ওইনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরস মেদল ফোর এক্সেলেন্স ইন পুলিস ট্রেনিং পীদুনা ইকায় খুমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, রাজ্য সভাগী এম.পি মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং অমসুং সব-দিভিজনেল হেদক্কাটরসশিংদসু পাঙথোকখি। জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপা, মাচ পাস, জগোই ঈশৈগী থৌরম অমসুং মনা-মথুম য়েন্থোকপনা থৌরমশিং অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনসু কংগ্রেস ভাবন ইম্ফালদা নীংতম নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা ভারতনা নীংখা তমখিবগী পালন থৌরম ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখি। ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী পি.আই.বি. অমসুং সি.বি.সিনা পুন্না শিনদুনা ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ থৌরম ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক, ইম্ফালদা লৈবা সি.বি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। লৈবাক নীংবগী ঈশৈ, এসে অমসুং এক্স টেম্পো স্পিস চাংদমা পাঙথোকপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

অকাশবানি ইম্ফালদসু জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা নীংতম নুমিৎ থৌরম পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মসিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। তুংদা, অকাশবানি ইম্ফালগী কর্ম্মচারিশিংনা কমপ্লেক্স অসিগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখি।

তাবীরিবা পাউ অসি হেক লোইবগা ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎকা মরী লৈননা অখন্নবা পাউগী শক্তম শন্দোকচগনি। মসিগী হেক মতুংদা মতমগী ৱাফম তাবা ফংবীগনি।

তিরঙ্গা (এল) ঃ থা অসিগী ৯ দগী পাথোরকপা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেন ঙসি লোইশিনখ্রে। ঙসি অরোইবা নুমিৎতা চান্দেল জিলাগী ৱিমেন মার্কেটতগী হৌরগা লৈকুনদা লৈবা ৮ শুবা এম.আর ফাওবা বাইক রেল্লি অমা চত্তুনা কেম্পেন অসি লোইশিনখি। ঙসিগী বাইক রেল্লি অদুদা জিলা অসিগী পুলিস পার্সোনেলশিং শরুক য়াখি।

নীংতম (এল)ঃ  লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন পাঙথোক্লি।

ন্যু দিল্লিগী ঐতিহাসিক ওইরবা লাল কিলাদা পাঙথোকপা থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখি অমসুং গার্ড ওফ ওনর অমা য়েংখি।

লাল কিলাদগী নীংতম নুমিৎকী ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- জাতি অসিনা লৈবাক অসিগী নীংখা তম্বগীদমক মথৱায় কৎখ্রবা অমসুং ফ্রিদম ফাইটর পুমমক্কী মমল তোল্লি অমসুং মখোয়দা তৌবীমল খঙবা উৎলি। মহাকা হায়- ঙসি অসি লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাকবগীদমক কৎথোক্লবা, অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা লৈবাক অসিবু শেমগৎলিবা অমসুং লৈবাক অসিবু অনৌবা অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনরিবা অচৌবা মীওইশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎনবগী তঞ্জা অমনি।

শ্রী মোদিনা হায়- মতম অদুগী লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৪০ না মখোয়দা পুনশিল্লম্বা য়োৎলিং অদু থদৎতুনা নীংতম্বা পুরকপা ঙম্লগা ঙসিগী ভারতকী মীওই কোতি ১৪০ না মখোয়না তৌগে খনবা অনিংবা অদু হোৎনরবদি লৈবাক অসি ইং ২০৪৭ ফাওবদা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা শোইদনা ঙমগনি। লৈবাক অসিদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ থম্বগী অপাম্বা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ৭৫ অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়াম জাৎ বিজাৎ নাইবা আইন অমগী মখাদা লৈদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা অচান মীরান নাইদবা আইন পুরকপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- চাওখৎপা ভারত অমা ওইহন্নবগীদমক জাতি অমা মীখল অমা হায়বা মঙলান রাজনীতি দলশিংনা হোৎনমিন্নদুনা মঙফাওনহনবা তঙাইফদে।

নুপীদা শক্তি পীবগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- থবক তৌরিবা নুপীশিংনা অঙাং উন্নবগী ছুতি লৌবগী মতম চয়োল ১২ দগী চয়োল ২৬ তা শাংদোক্লে। মীগা মীমান্নদ্রবশিং সুগামিয়া ভারত অভিয়ানগী মখাদা ইজৎ লৈনা হিংলি। ত্রান্সজেন্দরশিংবু ইজৎ লৈনা হিংনবগী অনৌবা ৱারেপ কয়া লৌরে।

যুমলোন্নবা লৈবাক বঙ্গলাদেশকী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম ভারতনা লুমা লৌবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মফম অদুদা লৈরিবা ভারতমচাশিং অশোই অঙাম থোক্লমগদ্রা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামা মীপাইবা পোক্লি। ভারতনা মতম চুপ্পদা য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা শান্তি ওইনা পুন্না চাওখৎমিন্নবা পাম্মী।

৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তসু জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখি। মপান লমদা লৈবা ভারতকী হাই কম্মিসন অমসুং এম্বেসিশিংদসু নুমিৎ অসি চিং লেমা পাঙথোকখি।

নোং (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা হয়েং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। চেরোল অদুনা হায়- লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা রাজ্য অসিগী মফম শিনবা থুংবদা পাক্তকনা নোং চুগনি।

ৱেব সাইট (এল)ঃ    ববিনা হোস্পিতালনা ফংহল্লিবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোস্পিতাল অসিগী ৱেব সাইট- দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট ববিনা হোস্পিতাল দোট কোম ঙসি লাঙ্গোলদা লৈবা হোস্পিতাল অসিগী কনফরেন্স হোলদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিনবা জ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ গী অন্ধ্র প্রদেশকী আর.দি.টি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নিখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা গোৱাবু পাঞ্জল ৭-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ঙসিগী মেটচ অমদা পাঞ্জল অমা চনখিবা নিংথৌজম ওলিভিয়া চনুনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

লেঙ্গুএজ (এল) ঃ মণিপুরী লেঙ্গুএজ ডে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কমিতি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং দাইরেক্তোরেট লেঙ্গুএজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মণিপুরনা পুন্না শিনদুনা ৩৩ শুবা মণিপুরী লেঙ্গুএজ ডে সেলেব্রেসন থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্লগনি। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা পেলেস ওদিতোরিয়ম, এম.এস.এফ.দি.এসদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা ২০২১-২০২২ অমসুং ২০২৩ গী মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচরশিং খুৎশিন্নগনি।

অসাম ঃ অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি পাক্তকনা থিবা হুন্বগী চথখ্রে। আহন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অলফানা রাজ্য অদুগী মফম ২৪ দা বোম থমজিল্লে হায়রকপদগী থিবা হুন্বগী থবক অদু চথখিবনি। অদুমওইনমক, হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে। রাজ্যগী দি.জি.পি- জি.পি. সিংহনা হায়- গুৱাহাতি য়াওনা তোঙানবা মফম খরদগী চিংনবা পোৎলম খরা ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তানা থিজিন্নবা ফোরেন্সিকতা শিন্নখ্রে। আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ অলফানা হন্দক্তা রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা বোম থমগনি হায়না মিদিয়াদা ফোংদোরকপদগী পুলিসনা থবক পায়খৎপা হৌবগা লোয়ননা থিবা হুন্বগী থবক অদু চথখিবনি। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা লালহৌলুপ অসিদা ৱারী শান্নদুনা হিরম খুদিংমক য়াশিন্নবা পুরকবা আপীল তৌরি।

লৌউ ঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ঙসি নিউ দিল্লিদা নেসেনল পেষ্ট সার্ভিলেন্স সিষ্টেম (এন.পি.এস.এস) হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী চৌহান্না হায়- এন.পি.এস.এসকী খুৎথাংদা লৌমীশিংনা তিলহাৎ হিদাক অমসুং নাপী হিদাক মখলশিং খঙদোক্তুনা মখোয়গী মহৈ মরোংশিংবু মাং তাকপদগী কনজবা ঙমগনি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা কেন্দ্র সরকারনা লৌমীশিংগী পায়খৎপা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী কান্নবা ফংলবা লৌমীশিংগা ৱারী শান্নখি।

থৌরম অদুদা লৌমী লিশিং ৫০০ হেন্না শরুক য়াখি। নিংশিংবা য়াই, হন্দক্তা কেন্দ্র সরকারনা মতমগা চুনরবা অনৌবা মহৈ মরোং মখল ১০৯ পুথোকখি।

পাৎ ঃ ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং কাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবনা হায়রি- ভারত্তা অনৌবা রামসর সাইট অহুম হাপচিনদুনা হৌজিক লৈবাক অসিদা রামসর সাইট ৮৫ শুরে। নৌনা হাপচিল্লবা রামসর সাইটশিং অদুদি তামিলনাদুগী ননজারায়ন বার্দ সেঙ্কচুরি অমসুং কাঝুভেল্লি বার্দ সেঙ্কচুরি অমদি মধ্য প্রদেশকী তৱা রিজার্ভরনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী ওইনা রামসর সাইটনা কোনশিল্লিবা মফম অসি হেক্তর লাখ ১৩ লিশিং ৫৮ রোমনি। মহাকা হায়- ভারতনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারত ওইনবা পান্দম থল্লিবা অসিদা অশংবা ভারত অমা ওইহন্নবসু হোৎনরশি।

পাৎ অহুম নৌনা রামসর সাইট ওইনা লাউথোকপা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- মহৌশাগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী খুদমনি। মধ্য প্রদেশ অমসুং তামিলনাদু মীয়ামদা থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা তুংদা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিংদা মাংজিল থানা থবক পায়খৎখিগনি।

বেঙ্গল ঃ কোলকাতাগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজদা ডোক্তর নুপী অমা রেপ তৌরগা তমথিনা হাৎখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদুনা নোংচুপ বেঙ্গলগী লম্পাশিংদা মীয়ামা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে। হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা মেদিকেল কলেজ অসিগী মপানদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিল্লিবা ডোক্তর কাংবু অমদা গুন্দাশিংনা খুৎ থারকখি অমসুং কলেজ অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, খুৎশু খুৎলায় অমসুং হিদাকচিংবা মাং তাকহনবতা নত্তনা নুপা অমসুং নুপীগী ৱার্দশিংসু থুগাইরমখি।

------